# নেস্নেল সব-জুনিয়র এন্দ কেদেট জুদো চেম্পিয়ন্সিপ্তা মণিপুরনা মেদল ১৮ ফঙদুনা ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন তাখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮ (এস এন এস)ঃ জুদো ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর জুদো এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ১৫ দগী ইম্ফালগী খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা ষ্টেট৩০ দগী লাকপা নুপামচা জুদোকা ৪৫৬ অমসুং নুপীমচা জুদোকা ৪১৩ পূন্না জুদোকা ৮৬৯না শরুক য়াদুনা চথরিবা নেস্নল সব-জুনিয়র অমসুং কেদেট জুদো চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯দা মণিপুরনা গোল্ড মেদল ৬, সিলভর মেদল ৩ অমদি ব্রোঞ্জ মেদল ৯ পূন্না মেদল ১৮ ফঙদুনা ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন তাখ্রে।

অদুগা হরিয়ানানা গোল্ড মেদল ৫, সিলভর মেদল ৫ অমদি ব্রোঞ্জ মেদল ৫ পূন্না মেদল ১৫ ফঙদুনা অনীশুবা অমসুং দিল্লিনা গোল্ড মেদল ৪, সিলভর মেদল,৪ অমদি ব্রোঞ্জ মেদল ১০ পূন্না মেদল ১৮ ফঙদুনা অহুমশুবা তাখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মণিপুরগী লৈশাংথেম নুংশিথোইনা সব-জুনিয়র গালর্সকী অদুগা গুজরাটকী শ্রীকুমরানা সব-জুনিয়া বোইজকী বেষ্ট জুদোকা তাখি। অমসুং অসামগী বাসুমতরি পুজানা কেদেট গালর্সকী অদুগা দিল্লিগী হরসচেত্রিনা কেদেট বোইজকী বেষ্ট জুদোকা তাখি।

মণিপুরনা কেদেটকী কাঙলূপ্তা গোল্ড মেদল ১, সিলভর মেদল ১ অমদি ব্রোঞ্জ মেদল ৬ পূন্না মেদল ৮ লৌখি। অদুগা সব-জুনিয়রগী কাঙলূপ্তা গোল্ড মেদল ৫, সিলভর মেদল ২ অমদি ব্রোঞ্জ মেদল ৩ পূন্না মেদল ১০ লৌখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি অরোয়বা নুমিৎতা শান্নখিবা কেদেট ৱুমেনগী কেজি ৫২ মখাগীদা মহারষ্ট্রা (এ)গী কাষ্টুরিনা গোল্ড, কেরেলাগী এস সবিথমোননা সিলভর অদুগা ওডিসাগী ওরমিলা অমসুং মহারষ্ট্রা (বি) গী সোনালকিনা ব্রোঞ্জ মেদল ফঙখি।

কেজি ৫৭ মখাগীদা অসামগী বাসুমতরি পুজানা গোল্ড, হরিয়ানানাগী রিতুনা সিলভর অদুগা পাঞ্জবকী হারলেন অমসুং দিল্লিগী মুসকাননা ব্রোঞ্জ মেদল ফঙখি।

কেজি ৬৩ মখাগীদা উট্টরখনগী উনাটি শর্ম্মানা গোল্ড, দিল্লিগী রিবা রাৱাতনা সিলভর মেদল অদুগা জম্মু কাস্মিরগী তাজিম অমসুং মণিপুরগী আর কে দাইনানা ব্রোঞ্জ মেদল ফঙখি।

কেজি ৭০ মখাগীদা মণিপুরগী এল সনাথোইনা গোল্ড, রাজষ্টানগী উনিয়াল সুত্রিনা সিলভর অদুগা পাঞ্জবকী হিনা অমসুং দিল্লিগী তোকাস জয়তিরনা ব্রোঞ্জ মেদল ফঙখি।

কেজি ৭০ মথক্কীদা মহারষ্ট্রা (বি)গী অপুরভা পাতিলনা গোল্ড, অসামগী সোনোৱালনা সিলভর অদুগা হরিয়ানাগগী সানয়োগিতা অমসুং দিল্লিগী নন্দনিনা ব্রোঞ্জ মেদল ফঙখি।

কেদেট মেনগী কেজি ৬০ মখাগীদা মহারষ্ট্রা (এ)গী কানোজিয়া ইশাননা গোল্ড, উট্টর প্রদেশগী রজিব কুমারনা সিলভর অদুগা পাঞ্জবকী অবিসেক অমসুং দিল্লিগী অয়ুস মোননা ব্রোঞ্জ মেদল ফঙখি।

কেজি ৬৬ মখাগীদা মৈধ্র প্রদেশকী অয়ুসনা গোল্ড, দিল্লিগী তোকাস হরসনা সিলভর অদুগা মণিপুরগী লাইশ্রম মেক্স মীতৈ অমসুং রাজষ্টানগী লাবিস সহারামনা ব্রোঞ্জ মেদল ফঙখি।

কেজি ৭৩ মখাগীদা উট্টর প্রদেশকী মুকুল সিংহনা গোল্ড, দিল্লিগী রাহুল সোলাঙ্কিনা সিলভর অদুগা হরিয়ানাগী বিকাস দলা অমসুং মণিপুরগী কে বিসালনা ব্রোঞ্জ মেদল ফঙখি।

কেজি ৮১ মখাগীদা দিল্লিগী তোকাস হরসনা গোল্ড, পাঞ্জবকী জাকতর সিংহনা সিলভর অদুগা মহারাষ্ট্রা (বি)গী প্রদিব অমসুং হরিয়ানাগী লাকসেনা ব্রোঞ্জ মেদল ফঙখি।

কেজি ৯০ মখাগীদা হরিয়ানাগী অলাৱাট রোহিটনা গোল্ড, উট্টর প্রদেশকী অরমাননা সিলভর অদুগা মহারষ্ট্রা (বি)গী ইশান অমসুং দিল্লিগী ধিরসনা ব্রোঞ্জ মেদল ফঙখি।

কেজি ৯০ মথক্কীদা হরিয়ানাগী য়াস গাঙ্গাসনা গোল্ড, উট্টর প্রদেশগী রোহান বিসনোইনা সিলভর অদুগা মহারষ্ট্রা (বি)গী অদিতিয়া অমসুং তামিল নাদুগী এস শ্রীমেননা ব্রোঞ্জ মেদল ফঙখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসি লোয়শিনবগী থৌরমদা সি এ এফ এন্দ পি দিগী মিনিষ্টর করাম শ্যামনা চীফ গেষ্ট, মণিপুর জুদো এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ডা. কে ঐচ রতনকুমারনা থৌরমগী প্রসিদেন্ট অদুগা এসোসিয়েসনগী ৱাকিং প্রসিদেন্ট বিজয় কোইজম, হন্নাগী পার্লিমেন্টরী এম পৃথিবীরাজ, এসোসিয়েসনগী লাইফ প্রসিদেন্ট জে এস হঙলেম, সাইগী ডাইরেক্টর ফ্রান্সিস মারৱিং, এসোসিয়েসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট তরাপোন, চাউবা, তেম্বা, রাজেন, জুদো ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী ত্রেজরর কায়লাশাং যাদব, এসোসিয়েসনগী ত্রেজরর এ সচিনকুমার অমসুং এসোসিয়েসনগী সেনিয়র মেম্বর এস রনবিরনা গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াদুনা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনা মথুম পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

# সেন্ট এন্থোনি শাঙাকফমনা নুপীগী অমসুং এস আর দব্লিউ সি সেগা রোদনা নুপাগী ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮ (এস এন এস)ঃ মণিপুর বাস্কেটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ৯ দগী নহাবমগী বাস্কেটবোল কোর্টতা নুপাগী টিম ১০ না গ্রুপ ২ অদুগা নুপীগী টিম ৪ না শরুক য়াদুনা চথরিবা ২৩ শুবা সেনিয়ার ষ্টেট বাস্কেটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯দা সেন্ট এন্থোনি শাঙাকফমনা নুপীগী অদুগা এস আর দব্লিউ সি সেগা রোদনা নুপাগী ৱিন্নর ওইখ্রে।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি ২৯ শুবা মেটচ ওইনা নুপীগী সেন্ট এন্থোনি শাঙকফম অমসুং বি এস সি পেলেস কম্পাউন্দনা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা সেন্ট এন্থোনিনা বি এস সিবু পোইন্ট ৪৪-১৯ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা সেন্ট এন্থোনি শাঙাকফমগী পোইন্টশিং অদু জর্সি নম্বর ৯ কেরোলিন পাওনা পোইন্ট ১৬, জর্সি নম্বর ৮ লৈশীমি হোঙামনা পোইন্ট ১০, জর্সি নম্বর ১০ হিরোন শুখামনা পোইন্ট ১০, জর্সি নম্বর ১৫ চোনচোন হোঙামনা পোইন্ট ৪, জর্সি নম্বর ৭ এন্সিলু পামৈনা পোইন্ট ২ অমসুং জর্সি নম্বর ১৩ দিওরা জাশানা পোইন্ট ২ স্কোর তৌখি।

মায়থিরবা বি এস সি পেলেস কম্পাউন্দগী পোইন্টশিং অদুনা জর্সি নম্বর ১০ সোফিয়ানা পোইন্ট ৮, জর্সি নম্বর ৫ এম নিকলেননা পোইন্ট ৬ অমসুং জর্সি নম্বর ৯ সঞ্জিতানা পোইন্ট ৫ স্কোর তৌখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ৩০ শুবা মেটচ ওইনা নুপাগী শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা এস আর দব্লিউ সি সেগা রোদনা এল এম ৱাই ভি এ ললাম্বুংবু পোইন্ট ৮৯-৫৪ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা এস আর দব্লিউ সি সেগা রোদকী পোইন্টশিং অদু জর্সি নম্বর ২৪ জেক্সননা পোইন্ট ৩৪, জর্সি নম্বর ৬ ডা. এস কে মারকনদেবনা পোইন্ট ২৯, জর্সি নম্বর ১৫ রোমেননা পোইন্ট ১২, জর্সি নম্বর ৭ মৈস্নাম দেবনা পোইন্ট ৪, জর্সি নম্বর ৮ থোইবা শলামনা পোইন্ট ৩, জর্সি নম্বর ৫ শাচিলাচিনা পোইন্ট ৩, জর্সি নম্বর ১৩ ৱিনিসননা পোইন্ট ২ অমসুং জর্সি নম্বর ১১ এস বাইকিংনা পোইন্ট ২ স্কোর তৌখি।

মায়থিরবা এল এম ৱাই ভি এ ললাম্বুংগী পোইন্টশিং অদু জর্সি নম্বর ১৫ কেমলিননা পোইন্ট ৩৫, জর্সি নম্বর ৭ ওজিনা পোইন্ট ৮, জর্সি নম্বর ৫ তুতুনা পোইন্ট ৬ অমসুং জর্সি নম্বর ৮ বোরিসনা পোইন্ট ৫ স্কোর তৌখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসি লোয়শিনবগী থৌরমদা আর্ট এন্দ কলচরগী মিনিষ্টর এল জয়েন্ত কুমার, এডুকেসন মিনিষ্ট টি ঐচ রাধেশ্যাম অমদি মণিপুর পোলুসন কন্ট্রোল বোর্দকী চিয়ারমেন এল রাধাকেশ্বরনা মথংশীৎনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াদুনা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনা মথুম পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

# এম পি এস সি অমদি ই এস য়ু মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮ (এস এন এস)ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ১০ দগী খুমন লম্পাক অর্টিফিসিয়েল তর্ফ গ্রাউন্দা টিম -৪ না শরুক য়াদুনা চথরিবা ১০ শুবা অম্ফা সেনিয়র ৱুমেন ফুটবোল লীগ ফোর বি এম সিংহ ট্রোফি ২০১৯ (প্রি ক্বালিফাসয়িং রাউন্দ ফোর আই দব্লিউ এল)গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এম পি এস সি অমদি ই এস য়ু ৱাঙ্খৈ মায় পাকখ্রে।



লীগ অসিগী ৫ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা ক্রিপ্সা নাওরেমথোং অমদি এম পি এস সিনা শান্নখিবা মেটচতা এম পি এস সিনা ক্রিপ্সাবু গোল ২-১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা এম পি এস সিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১০ এন জি বলানা মিনট ৪০ প্লস ২ দা অমদি ৪৬ চৎপদা চনখি। মায়থিরবা ক্রিপ্সা নাওরেমথোংগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১০ এন রতনবলানা মিনট ৭০ চৎপদা চনখি।

মেটচ অসিদা ক্রিপ্সাগী জর্সি নম্বর ৯ এ রোজা অমসুং এম পি এস সিগী জর্সি নম্বর ৫ টি ঐচ দেবজানি অদুগা জর্সি নম্বর ১০ এন জি বলাদা মেটচক কন্দক তৌখিবা রেফ্রিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি এন ইবুংঙো, এস লিতনবলা, ৱাই বিদিয়াপটি অমদি ই দেবলানা মথংশিৎনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

লীগকী ৬ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা ই এস য়ু ৱাঙ্খৈ অমদি ৱাই দব্লিউ সি লংথবালনা শান্নখিবা ই এস য়ুনা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালবু গোল ২-১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা ই এস য়ু ৱাঙ্খৈগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১১ এন প্রিয়ঙ্কানা মিনট ৫৪, জর্সি নম্বর ১০ প্রামেশ্বরিনা মিনট ৭৫ চৎপদা চনখি।

মায়থিরবা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১১ ঐচ দয়ানা মিনট ৬৮ চৎপদা চনখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি টি রঞ্জিৎতা , এম রোশনি, ই দেবলা অমদি এস লিতনবলানা মথংশিৎনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

লীগ অসিগী মথংগী মেটচ থা অসিগী ২২ গী নুংথিল পুং ১২.৩০ তাবদা ক্রিপ্সা নাওরেমথোং অমদি ৱাই দব্লিউ সি লংথবলানা অহানবা গ্রাউন্দা অদুগা নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদা এম পি এস সি অমদি ই এস য়ূ ৱাঙ্খৈনা অনীশুবা গ্রাউন্দা শান্নগনি।

# শলাই তরেৎ কাঙখূৎ সেমি চঙখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮ (এস এন এস)ঃ মণিপুর কাঙ এসোসিয়েসননা শীন্দুনা মমাঙ থা ৫ দগী পীশুমথোং ওইনাম লৈকাইদা লৈবা ইরৈমা শঙলেনদা চথরিবা ৬৪ শুবা সার চড়াচান্দ সিংহ ( কে সি এস আই- সি বি ই ) নীংশিং লীগ কম নোক অউট কাঙ টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবা মরিশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা শলাই তরেৎ কাঙখূৎ ৱাঙ্গোইনা তেকা (এ) কাঙখূৎ পিশুমবু পাঞ্জল ২১-১২ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখিবনি।

মায় পাক্লবা শলাই তরেৎ কাঙখূৎ ৱাঙ্গোইগী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৭ অমদি অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল ১৪ স্কোর তৌখি। মায়থিরবা তেকা (এ) কাঙখূৎ পিশুমগী পাঞ্জলশিং অদুনা অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৩ অমসুং অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৯ স্কোর তৌখি।

# এ আরনা শীন্দুনা ফ্রেন্দলি মেটচ শান্নখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮ (এস এন এস)ঃ আই জি এ আর সাউঠকী মীৎয়েং মখাদা তুলিহল বাট্টলিয়ান ওফ ৯ সেক্টর অসাম রাইফলনা শীন্দুনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা কামোং ভিলেজদা ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেটচ অমা শান্নখ্রে।

নম্বোল কম্পীনি ওপরেটিং বেজনা কোনবা জাগাদা অফবা স্পোর্টস মেনন্সিপ পুথোক্লবগী পান্দমদা শান্নখিবা মেটচ অসি কামোং য়ুঠ ক্লব অমদি নম্বোল য়ুঠ ক্লবনা শান্নখি।

অমারোমদা মন্ত্রিপূখ্রি বট্টালিয়ান ওফ ৯ সেক্টর অসাম রাইফলনসু আই জি এ আর সাউঠকী মীৎয়েং মখাদা কোরেঙ্গৈ কম্পিনি ওপরেটিং বেজকী সেক্রুরিটি ফোস অমসুং লোকেলগী মীওইশিংগগী হেন্না অফবা মরি লৈন্নবগী পান্দমদা ভোল্লিবোল মেটচ অমসু শীন্দুনা শান্নখি।

# এস ৱাই দি এ অথোকপম মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮ (এস এন এস)ঃ দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন থৌবালনা শীন্দুনা থা অসিগী ৪ দগী টিম ৬ না শরুক য়াদুনা ৱাংজিং স্পোর্টস কম্পলেক্সকী গ্রাউন্দা শান্নবা হৌখিবা দি এফ এ থৌবাল সুপর দিভিজন ফুটাবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ এস ৱাই দি এ অথোকপমনা দব্লিউ ৱাই সি ৱাঙ্খেমবু গোল ৩-১ দা মায় পীদুনা ফুল পোইন্ট ফঙখ্রে।

লীগ অসিগী ১৪ শুবা মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা এস ৱাই দি এ অথোকপমগী গোলশিং অদু কে ঐচ সুনিলনা মিনট ১৭, এল চিতরঞ্জননা মিনট ২৪ অমসুং এল কুমারজিৎনা মিনট ২৮ চৎপদা চনখি। মায়থিরবা দব্লিউ ৱাই সি ৱাঙ্খেমগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা কে বোবোসনানা মিনট ২৫ চৎপদা চনখি।

মেটচ অসিদা মায়থিরবা দব্লিউ ৱাই সিগী জর্সি নম্বর ৬ এম অরুনদাস অমসুং জর্সি নম্বর ১৮ এস ঐচ সুরঞ্জয়দা মেটচক কন্দক তৌখিবা রেফ্রিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

# ৱাই দব্লিউ সি মালোমনা এস ৱাই পি এবু মায়থিবা পীখ্রে




ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮ (এস এন এস)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ১২ তগী টিম ৭ না শরুক য়াদুনা ৱাই দব্লিউ সি মালোম গ্রাউন্দা চথরিবা ৯ শুবা কাঙজম কর্ণজিৎ সিংহ নীংশিং সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ৱাই দব্লিউ সি মালোমনা এস ৱাই পি এ সেকমাইবু গোল য়াম লাকচন্না গোল ১০-১ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা টিম অনীনা খোঙজেল য়াঙনা শান্নবা হৌরক্কুনা এস ৱাই পি এগী জর্সি নম্বর ১১ এল নিংথৌবানা গোল একাউন্ট হাঙদুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখ্রবা মতুং পুখ্খায় ফারকপদা মালোমগী জর্সি নম্বর ৮ থোনমিসৈগী হেদ্দিংনা গোল হন্দোক্কুনা ১-১ দা মান্না লৈখি।

অহানবা হাল্ফকী অপীবা মিনট লোয়রমদাই ৩৬ অমসুং ৪০ চৎপদা মালোমগী জর্সি নম্বর ২২ মাকেস অমসুং জর্সি নম্বর ১০ খায়বুল হাওনা টিকমগী ২শুবা অমসুং ৩শুবা গোল অদু চন্দুনা ৩-১ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতা চনখিবা মালোমগী গোলশিং অদু কামেসনা ৩, সাওজলেননা ২ অদুগা হিবি কিবানা ১ অমসুং থোঙমিনসৈনা ১ চন্দুনা মেটচ অসি ১০-১ দা মায় পাকখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা ৱাই দব্লিউ সি মালোমগী জর্সি নম্বর ৩ ষ্টিফেন অমসুং জর্সি নম্বর ১৩ গায়দিলুঙদা মেটচক কন্দক তৌখিবা রেফ্রিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

# এল রবিনানা গোল্ড মেদল লৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮ (এস এন এস)ঃ মণিপুর আর্চরি এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ঙসিদগী থৌবাল খেক্কিলৈকাইদা য়ুনিট ১৫ দগী লাকপা নুপা নুপী পূন্না আর্চর ৩৬৫ না শরুক য়াদুনা ৩ শুবা কিদ, ১২ শুবা মিনি অমসুং ৩৪ শুবা সব-জুনিয়র ষ্টেট আর্চরি চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯গী মিনি রিকভ গালর্স ৫০ প্লস ৫০ মিটরদা এন এস এগী এল রবিনানা অহানবা, ঐচ সন্ধিয়ারানিনা অনীশুবা অমসুং ভি এ এগী জিনিফরনা অহুমশুবা তাখি।

রিকভ বোইজ ৫০ প্লস ৫০ মিটরদা য়ু এ সিগী কে রোহিটনা অহানবা, এ সি ইগী এন ইশ্বরচন্দ্রনা অনীশুবা অমসুং এন এস এগী এস দোল্লরনা অহুমশুবা তাখি।

মিনিগী ৫০ প্লস ৫০ কম্পাউন্দ গালর্সতা ভি এ এগী এম প্রিতিনা অহানবা, টি ঐচ সেনিয়াইনা অনীশুবা অমসুং এন জি উশাকিরনা অহুমশুবা তাখি।

কম্পাউন্দ বোইজকীদনা য়ু এ সিগী আর কে প্রিয়োর্বর্টনা অহানবা, এন এস এগী ই লানঙম্বনা অনীশুবা অমসুং য়ু এ সিগী এন জি প্রদিব মৈতৈনা অহুমশুবা তাখি।

কিদকী ইন্দিয়ান রাউন্দ ১০ মিটর গালর্সতা ৱাই এ সিগী য়াইফবী চনুনা অহানবা, সাই আর সিগী এল লামিননা অনীশুবা তাখি। ইন্দিয়ান রাউন্দ ১০ মিটর বোইজতা এ সি ইগী এস লময়ানবনা অহানবা, ঙমখৈ ঙাকপনা অনীশুবা তাখি।

কম্পাউন্দ পোইজ ১৫ মিটর কিদতা ভি এ এগী ঐচ বিজুনা অহানবা, পি সিগী ৱাই লম্হোইবনা অনীশুবা তাখি।

# সি ঐচ রিতিসনা অন্দর-১৭গী অদুগা মেতিকনা অন্দর-১৫ বোইজ সিঙ্গলসকী টাইতল লৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮ (এস এন এস)ঃ মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ১৬ দগী মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিয়েসনগী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা নুপা অমসুং নুপীমচা পূন্না শান্নরোই ১৬৬ না শরুক য়াদুনা চথরিবা ৬৪ শুবা ষ্টেট মিনি অমসুং সব-জুনিয়র বেদন্টিন চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯দা সি ঐচ রিতিসনা বোইজ সিঙ্গলস অন্দর ১৭ গী অদুগা মেতিক রোহেনা বোইজ সিঙ্গলস অন্দর ১৫ গী টাইতল লৌখ্রে।



বোইজ সিঙ্গলস অন্দর-১৭ গী ফাইনেলদা সি ঐচ রিতিসনা এম শ্রিজিৎপু ২১-১৩, ২১-৮ দা মায়থিবা পীদুনা টাইতল লৌখিবনি অদুগা বোইজ সিঙ্গল অন্দর ১৫গী ফাইনেলদা মেতিক রোহেনা আর কে রোনাল্ডবু ২১-১৫, ২১-১৩ দা মায়থিবা পীদুনা টাইতল লৌখিবনি।

গালর্স সিঙ্গলস অন্দর-১৫গী ফাইনেলদা এম প্রিয়ানা ই রোবিনাবু ২১-৭, ২১-১০ দা মায়থিবা পীখি। বোইজ দবলস অন্দর-১৫গী ফাইনেলদা ঐচ মলেমঙানবা অমদি এল ব্রিক্সনগী জুরানা ঐচ রোহেনকুমার সিংহ অমদি কে ঐচ অমরজিৎকী জুরাবু ২১-১৬, ১৪-২১, ২১-১৯ দা মায়থিবা পীখি।

গালর্স সিঙ্গলস অন্দর-১১ গী ফাইনেলদা টি লিয়োনিনা এল জাইনাবু ২১- ৯, ২১-১০ দা মায়থিবা পীখি। গালর্স সিঙ্গল অন্দর-১৭ গী ফাইনেলদা কে এস ঐচ মহেশ্বরিনা এল দাইনাবু ২১-১০, ২২-২০ দা মায়থিবা পীখি।

বোইজ দবলস অন্দর ১৩ গী ফাইনেলদা ঐচ মলেমঙানবা অমদি এল ব্রিক্সনগী জুরানা বোরিস শলাম অমদি কেপ্রৌ অহনথেমগী জুরাবু ২৪-২২, ২১-১৭ দা মায়থিবা পীখি। বোইজ দবলস অন্দর-১১গী ফাইনেলদা মাঙশুৱান ভিমায় অমদি এম ভাইরবকী জুরানা কালো ক্রুমেন অমদি মার্টিন ইঙুদমগী জুরাবু ২১-১৮, ২১-১৬ দা মায়থিবা পীখি।

মিক্স দবলস অন্দর-১৫ গী ফাইনেলদা মেতিক রোহে অমদি এম প্রিয়াগী জুরানা আর কে রোনাল্ড অমদি এম সানানুগী জুরাবু ২১-১৯ , ১৬-২১, ২১-১৯ দা মায়থিবা পীখি।

গালর্স সিঙ্গল অন্দর-১৩ গী ফাইনেলদা কে গুঞ্জাননা টি লিয়োনিবু ২১-১৮, ২১-১২ দা মায়থিবা পীখি। বোইজ সিঙ্গলস অন্দর-১৩গী ফাইনেলদা মেতিক রোহেনা ঐচ মলেমঙানবু ২১-১৮, ২১-১৩ দা মায়থিবা পীখি।

বোইজ সিঙ্গলস অন্দর-১১ গী ফাইনেলদা এম শুসান্তনা কালো ক্রুমেনবু ১৬-২১, ২১-১৬, ২১-১৩ দা মায়থিবা পীখি। বোইজ দবলস অন্দর-১৭গী ফাইনেলদা সি ঐচ ভিক্সন অমদি কে মাঙনবগী জুরানা কে ঐচ বিদিয়াচন্দ্র অমদি এম শ্রিজিৎকী জুরাবু ২১-১৬, ২১-১৮ দা মায়থিবা পীখি।

# দব্লিউ ৱাই সি অমদি ৱাই দব্লিউ এ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮ (এস এন এস)ঃ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা থা অসিগী ১০ দগী টিম ৮ না গ্রুপ-২ থোক্লা খায়দোক্কুনা বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা ১৪ শুবা এন বলানন্দা নীংশিং সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী শান্নখিবা মেটচশিংদা দব্লিউ ৱাই সি য়ুম্নাম খুনৌ অমদি ৱাই দব্লিউ এ নিংথৌখোং মায় পাক্কুনা ফুল পোইন্ট ফঙখ্রে।

ঙসি অহানবা গ্রাউন্দা শান্নখিবদা দব্লিউ ৱাই সি য়ুম্নাম খুনৌনা ৱাই দব্লিউ ও বিষ্ণুপুরবু গোল ৫-০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা দব্লিউ ৱাই সিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১১ ও মঙৈলেম্বনা ৪ অদুগা জর্সি নম্বর ৭ কে ঐচ মেক্সনা ১ চনখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবদা ৱাই দব্লিউ এ নিংথৌখোংনা লোক্তাক এফ সি প্রোজেকবু গোল ৩-২ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা ৱাই দব্লিউ এ নিংথৌখোংগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৭ ঐচ রোসননা গোল ৩ চনখি অদুগা মায়থিরবা লোক্তাক এফ সি প্রোজেককী গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ৫ অদাই অমসুং জর্সি নম্বর ১৬ সি ঐচ কোরৌথাংনা চনখি।

# এম সি কে মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮ (এস এন এস)ঃ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা থা অসিগী ৭ দগী টিম ৯ না গ্রুপ-২ থোক্লা খায়দোক্তুনা বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা ৬ শুবা ঐচ পীশক নীংশিং ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ এম সি কে কাবো ৱাকচিংনা য়ু এফ সি বিষ্ণুপুরবু গোল ৩-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা এম সি কে কবোৱাকচিংগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৭ লেম্বানা মিনট ৯,১৮ দা গোল ২ অদুগা জর্সি নম্বর ৮ বিকেশ্বরনা মিনট ৪৭ দা চনখি।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com